ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯱꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, এপ্রিল ১১, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ০১৫শুবা মশীং

# অহানবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল

## মীরেপ নিপালগী মরায়বক লেপকদবা নুমীৎ থুংলরে

তাঙ্কক তরেৎ থোক্না পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা অতৈ ষ্টেট খরগী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিশিংগা লোয়ননা ঙসি অহানবা তাঙ্কক্তা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীখল পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিদা নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিবা মীওই নিপালমক্কী মীরেপচে স্ক্রুটিনিদা অয়াবা পীখ্রবনি। হৌখিবা মার্চ ২৬ তা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী রিটর্নিং ওফিসর হাওবম রোসিতাগী থৌবাল দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখিবা স্ক্রুটিনিদা অয়াবা পীখ্রবা মীরেপশিং অদুদি ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)কী কে জেমস, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী ঐচ বেঞ্জামিন মাতে, নেসনল পীপলস পার্টি (এন পি পি)গী থাংমিনলেন কিপগেন, নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী ডা. লোরহো এস ফোজে, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি)গী অশাং কশর, জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)কী হংখনপাউ, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি)গী অঙম কে কোম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ লাইফম কাইপুনি। মীরেপশিংনা পীশিল্লকপা ইলেক্সন এফিদেবিট মতুংইন্না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী মীরেপ নিপালগী মনুংদা মীওই মরি ক্রোরপতিনি। খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মীরেপশিংগী মনুংদা কোংগ্রেসকী কে জেমসসু অমনি হায়না লৌনরি। আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী সিট অসি কুমজা ২০০৪ দগী হৌনা আই এন সীগী থাংসো বাইতেনা পায়দুনা লাকখি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীখলদা থাংসো বাইতেনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা নাগা পীপলস ফ্রন্টকী সোসো লোরহোবু মায়থীবা পীখি। অদুবু হন্দক্তি থাংসো বাইতেনা মীরেপ ওইনা চোংথোরক্তবা মরম্না পোলিটিক্সতা নৌনা খোঙদারকপা কে জেমসপু কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইনা পুথোরকপনি। অতোপ্পা মীরেপ তরেৎকী মনুংদা কোংগ্রেসকী কে জেমসকা অকনবা লম্বা পারবা য়াই হায়না থাজনরিবসি ভারতিয়া জনতা পার্টি ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ঐচ শোখোপাও এলিয়স বেঞ্জামিন মাতেনি।

সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী ওইনা রিজর্ভ তৌরবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ২৮ য়াওই। হায়রিবা এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিশিং অদুদি হৈরোক, ৱাংজিং-তেন্থা, খাঙবোক, ৱাবগাই, ককচীং, হিয়াংলম, সুগনু, জিরিবাম, চান্দেল, কারোং, মাও, তাদুবী, কাংপোকপী, সাইতু, তামৈ, তমেংলোং, নুংবা, তিপাইমুখ, থানলোন, হেংলেপ, চুড়াচান্দপুর, সাইকোট অমসুং সিংহাটনি। আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিগী অহানবা মীহুৎ রিশাং কৈশিংনি। কুমজা ১৯৫২ দা মহাক্না ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী টিক্কেটতা মায় পাক্তুনা কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী মীহুৎ ওইখিবনি। কুমজা ১৯৫৭ তা পার্টি অসিমক্কী আর সুইসানা কোংগ্রেসকী টিক্কেটতা কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী মীহুৎ ওইখি। কুমজা ১৯৬২ দা রিশাং কৈশিংনা অমুক মীহুৎ ওইরবা মতুংদা কোংগ্রেসনা অয়াম্বা মতমদা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী মপূ ওইদুনা লাকখি। হন্দক্কী ওইনা কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী অপূনবা ভোটর মশীং ৯,১৮,৯৬৬ নি। কুমজা ২০১৪ দা ভোটর ৭,৭১,৭৬৬ ওইরম্বদগী হন্দক ভোটর ১,৪৭,২০০ হেনগৎলকখিবনি। হন্দক্কী ওইনা কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী নুপা ভোটর ৪,৫৪,৩০৯ অমসুং নুপী ভোটর ৪,৬৪,৬৫৭ ওইরি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা পোলিং ষ্টেসন ১,৪০৬ লৈখিবগা লোয়ননা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৮৩.৯৮ ওইখিবনি। মীখল অদুদা মীরেপ ১০ না লম্বা থেংনখিবগী মনুংদা কোংগ্রেসকী থাংসো বাইতেনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইখিবা নাগা পীপলস ফ্রন্টকী মীরেপ সোসো লোরহোদগী ভোট ১৫,৬৩৭ হেন্দুনা মায় পাকখি। থাংসো বাইতেনা ভোট ২,৯৬,৭৭০ ফংখিবদা সোসো লোরহোনা ২,৮১,১২১ ফংখিবনি। হন্দক্কী মীখল অসিদদি বি জে পিনা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মায় পাক্তবা য়াদে হায়বগী মওংদা ঐচ শোখোপাও মাতে এলিয়স বেঞ্জামিনবু মীরেপ ওইনা থাদোরকখিবগা লোয়ননা মখল কয়াগী লাল্লোং চথরকপা থেংনরি। মরু ওইনা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্টতা য়াম্লবা শেনফম থাদবগী মওং উবা ফংলি। তৌবগীবুদি পোলিটিকেল পার্টি অয়াম্বনা ভোট খোম্বগী মওং হোংদোক্তুনা প্রিন্ট, ইলেক্ট্রোনিক অমদি সোসল মিদিয়াদা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট কয়া ফোঙনরবসু হীরমসিদা বি জে পিনা শেল খ্বাইদগী য়াম্না চাদিং তৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। হন্দক্তা থাদোরকখিবা গূগলগী ইন্দিয়ন ট্রান্সপরেন্সি রিপোর্টনা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা সোসল মিদিয়াদা মীখলগা মরী লৈনবা এদভর্টিজমেন্ট ফোঙবদা লুপা ক্রোর ৩,৭৬ চাদিং তৌবা থেংনরে। গূগল খক্তদা ফেব্রুৱারী ১৯ দগী এপ্রিল ৩ ফাওবদা পোলিটিকেল এদভর্টিজমেন্ট ফোঙবদা বি জে পিনা লুপা ক্রোর ১.২১ হেন্না চাদিং তৌরি। কোংগ্রেসকী ওইনদি লুপা ৫৪,১০০ নি। মসিগীসু মথক্তা পোলিটিকেল পার্টি অয়াম্বনা মাগী-মাগী মীরেপ মায় পাকহন্নবা শেল য়েনবা অমদি অতৈ অরানবা পান্থে কয়া শীজিন্নরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরিবা মীওই নিপালগী মরাইবক ঙসি লেপ্লগনি।

### ••• এদিটরদা থারকপা চিঠি •••

## পূন্নমক্কী নুংঙাইবনা ঐগীসু নুংঙাইজবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

*মীয়ামদা* অমদি জিব পানবা অমসুং পান্দবা পূন্নমক্তা তোল্লবা ঐহাক্না পূক্নিং অমসুং থম্মোয়না পুকচেল শেংনা খুরুমজরি। হৌজিক মীয়াম্না তৌবিরিবা ময়ামসিবু করিনো? মীওইবা অমা ওইবা তারগদি গুন খরদি চেনফম থোকপরা খঞ্জে। মীওইবগী মীনুংশি কদায়দা চৎখ্রে। ভোটসু হয়েংতা মঙায়রে, মীয়াম্না মুন্না খন্থবিরগা মীয়ামগীদমক্তা মতিক-মথৌনা লৈবা, মীয়ামগীদমক কৎথোক্লবা মীহুৎ খলহৌরসি। মায় পাক্লবা মীওই অদুদা য়ূম ফজনা শারো, লন-থুম পৈবমখে লেপ্পীহৌরো হায়না মীয়াম্না খল্লম্বদি ওইরমগদবা মান্দে। ঐনা ভোট কারবদি মীয়ামগীদমক্তা, ইমা লৈবাক্কীদমক্তা অমদি পূন্নমক্কীদমক্তা কৎথোক্কনি, য়াম্না থুনা চাওখৎপা অমসুং অওনবা খুন্নাই অমা ওইরক্নবগীদমক্তা ইতিক-ইথৌনা পুথোক্তুনা কন্না হোৎনজগনি, মীচং-মীখায় নাইদবা, পূন্নমকপু ঐগী হেক পোকপী ইমা-ইপা, ইচিন-ইনাও অমসুং ইচাশিংনি খঞ্জগনি, ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ঐখোয় পূন্নমক্কী ফংফম থোকপশিং ফজনা হায়জদুনা য়াম্না থুনা চাওখৎপা অমসুং অওনবা খুন্নাই অমা ওইনবা ফজনা হোৎনজগনি, য়াদ্রগনা ঐ ফম থাদোক্কনি হায়বা ফজরবা ৱাহৈ পরেংশিং অসিগী মহুত্তা থবক ওইনা পাঙথোক্কদবা মীহুৎ ওইনা খলহন্নীংই। হৌজিক-হৌজিকসি মীওইবগী লৌশিংনা ফত্তবা ওলহন্দুনা মালেম অসিবু মচেৎ-মচেৎ থুগায়বা ঙম্লবা বোম ময়াম অমা শানরে। মতমসিদা শেঞ্জাও পায়বা অমসুং য়াম্না শিংলে হায়না চৎনরিবা মীওইশিংনা চমজরবা অমসুং পঙলবা মীওইশিংদা লোয়ননা জিব-পানবশিংদা মীরাইবীবা, হন্থনা খনবা, মতেং পীবিদবা পূন্নমক্তো অকনবা চৈনা ফংলক্কনি অমসুং ফত্তবা থবক্না য়োম্লবনি হায়বসি কাউবীগনু। পূন্নমক্কী নুংঙাইবনা ঐগীসু নুংঙাইজবনি।

*অদোমগী - সলাম সঞ্জোয়, নিংথৌখোং - ৬*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৩

১। মৈতৈ লৈবাক্তা মী অমা শিবদা অঙাংমক নৎত্রবদি মৈ থাদুনা পোৎলোইবা কুইরবদগী চৎনরকই, ঙসিসু চৎনরি।
(ক) চৎনবী অসিগী মমাঙদা মৈতৈ লৈবাক্তা পোৎলোইবা মখল কয়া লৈরম্বগে?
(খ) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী মৈ থাবখক্তা চৎনরকখিবগে?

২। ''ফৌশু ঈশৈ শক্লি/আদগী চীংদোন অসিদনি।'' পরেং অনী অসি জননেতা ইরাবতনা ইরম্বা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ''ঐখোয়না কপ্লি/ঐখোয়গী পুন্সিগী থোঙজিন্দা/নোংজুথানা কৌনরুবা য়াওদনা লেপ্লবা খুদিংদা।'' পরেং অহুম অসিনা 'লোক্তাক পাৎকী ফূম' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ''ঙাইবু ঙাইরবদি মতমসিসু হৌদেদকো, প্রেমিলানা খল্লি।'' পরেং অসিনা 'হৌদোং তুরেল কুমদবী' কৌবা ৱারীমচাদুগী অহানবা পরেংনি। অইবী অদু কনানো?

৫। ''ইচা ইশুগীদমক/হুনবা লোইদ্রি/পামলৌগী লৌবুক্তা/সনা ফৌগী মরূশিং।'' পরেংশিংসিনা 'য়াচঙবা নঙ হল্লো' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

# ইলেক্সন নুমিত্তা মোংলকপা ৱাখল

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

*হৌজিক*, হায়বদি ঙসি হয়েং হংচীৎসি ঐখোয় পূন্নমক্কী ৱাখল, মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা দিল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট'তা (লোক সভাদা) চৎকদৌরিবা মীশক অনীদু কনা ওইগদগে হায়বই ৱাখলদুনা ওইরম'নি। মণিপুরদা লৈবা মীয়াম'সিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী নোংপোক-নোংচুপ-খা-ৱাং, ময়ায়-মতাইদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কী ৱাখলসু মান্নরমগনি। বি জে পি'না লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লায়েন্সকী মীরেপ ওইরিবদুই মীচং চঙগদ্রা? চহী মঙা ইকায় ফিরুক খুম' লৈখা তাদুনা লূপখ্রগনি খন্নরম্বা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস'না লুচিংবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এল্লায়েন্স'তা অতোপ্পা তাঞ্জা অম'মুক পীবা ওইনা, মখোয়গী মীরেপ্পু শৌগৎকদ্রা? অনীমক ইনৎ নত্তবীদা, কোংগ্রেসতসু নত্তবা, বি জে পি'দসু নত্তবা পূমনৌ নৌবা লৈঙাক অমা শেম্লনবা, হিংজ্রোং-কাইজ্রোং শিংজুগী লৈঙাক অমা শেমদুনা, মমাঙদা থেঙ্খাং অনীরক্তা থেংনখ্রবা, থা খরা খরা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনরগা লৈপাকসিবু কাং-খোং চাইরগা থল্লম্বদুগুম থনম্নবা মহা-গথবর্ধন/গ্রান্দ এল্লায়েন্সকী কাঙবুদুদা ভোট পীদুনা মখোয় ওইনা থাসিরা? তশেংবমক্তি, মীয়ামসিসু তৌফম খঙদবনি। অমনবু ফগদ্রা, অমসিনা হেনগদ্রা... শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌদুনা মমাঙদা কয়ারক য়েংলুরে। অফবা অমত্তা য়াওরমদবনি। ফত্তবা ময়াম মরক্তগী ফত্তবগী চাং খরা হন্থবা কাঙবুদুবু অফবনি হায়না খনে দাকপগী থৌদৌদুনি তারিবা। পোলিটিসিয়ন হায়বসি শেঞ্জা-থুমজা তৌগদবনি, ওইদ-পাদ ঙাঙগদবনি, চীনগা খূৎকা মান্নরোইদবনি, লায়রবই য়েক্লবা ওইরগা ইনাকখুনবই মরুপ ওইগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি থাদোকপা য়াদবা মচৎ অমা ওইরকপসিনি লমদমসিগী লাইবক থীবা। পোলিটিক্স ইজ এ দর্টি গেম হায়নরল্লবনিনা ঐখোয় দর্টি গেম শান্নগদবনি, ঐখোয় ইশাসু মোৎকদবনি হায়বসি ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়ন অমগী থাদোকফদ্রবা ৱাখলনি।

অফবা লৈপাক অমগী অফবা লৈপাকমচা অমা শেম্নবগীদমক ঐখোয় পূন্নমক পোলিটিক্সতগী কৈদৌনুংদা লাপথোক্লোইদবনি হায়বা ৱাহায় অমসু শেমজিল্লম্মী ৱাখল লৈবা কনাগুম্বা অমনা। অদুবু, ঐনা স্কুল তল্লিঙৈগী ওজা অমনদি ৱাহায় অদু শেম্লল্লিবা নুপাদু ৱাখল লৈবা মী নত্তে, মকোক বেরা লৈবা মীশক অমা শোয়দনমক্কী ওইরমগনি হায়রম্মী। 'ঐখোয়না পোলিটিক্সতগী লাপথোক্না লৈরুবদুগী মহয়নি ঐখোয়দগী হেন্না ৱাখল লৈতবা, করিমত্তা মতিক চাদবা মীশক অমনা মপু ওইরগা ঐখোয়না মনাই ওইবা' অতোপ্পা ৱাহায় অম'মুক শেল্লম্মি, কোকসিবু হেন্না ৱাই চিলহন্নবা।

খল্লরোই খনবা ৱাখলসে খন্দবা হেক্তা ঙল্লক্তে 'ইলেক্সন' হায়বা তৌদ' য়াদবা থবকসিনা চহী মঙা-মঙা খুদিংগী ইনাকসিদা হেক হেক লাকপদা। ইলেক্তেদ পোলিটিসিয়ন ময়ামসিগী মরমচৎ'না, অচুম্বা পামজবা কয়া অমবু থবকসিদা য়াওনীংদনবগী অকনবা ইথিল পীরবসু, থবকসিদা য়াওরুদবা হায়বসি খ্বাইদই চাউবা পাপ অমা লঙশিল্লুবগুমসু ফাওহল্লি - মোর্দন ষ্টেট অমা করম' শেমগনি হায়বগী পাড়া অদু তমহল্লকখ্রবা ওইবনা। শেমগৎলম্বই মহুত্তা মাঙহল্লম্বনা হেন্না নম্না তৌরমখিবনা ঙসিগী পোলিটিসিয়নশিংবু নুংশিনা য়েংবা তোক্লগা তূকৎচনরকপা অতৈনা নত্তে। পোলিটিক্স হায়বা শিনফমসি 'লায়রবা মীয়াম করম্না শেমগৎলগা মখোয়বু অমুক করম্না লোয়নগদগে, লায়রবা কোকহনবই মিংদা মখোয়বু করম্না লায়রহনগদগে' হায়বগী কলা (আর্ট) অদুনি।

মরম অসিনা, মীরেপ-মীখল (ইলেক্সন) মতম লাকপদা 'কনাদা ভোট পীগদগে' হায়বই লাংতক্লবদু কোক্লবা লাইৱা অমা লৈ, মদু কান্নব্রা/কান্নদব্রা য়েংসি ঐখোয় অমুক্তং... কনাদা ভোট পীগদগে... ৱাখলদুনা খনফম খঙদ্রবা, মীরেপ ময়াম মরক্তুদগী খ্বাইদই য়াম্না ৱাশক্তবা অদু তৌনি, অদা তৌনি হায়দবা মীশক অদুদা ভোট থাদবীয়ু, মরমদি, ৱাশকশিংদু ঙাক্লক্তুগা শাউনীংবই চাংদু হন্থনবা - অমেরিকান বিজিনেসমেন 'বর্নার্দ বারুচ'না হায়রম্বনি। মাগী ৱাসি ইনশি, লৌশি হায়বা নত্তে। মাগী ৱাহৈ অসিদা খন্থনীংঙাই ওইবা ৱা অমা লোৎলি। কোংগ্রেস পার্টিনা ৱাশক্লিবা, বি জে পি'না ৱাশকখিবা, ৱাশক্তুদা নৈনরিবা, অমগা-অমগা হুন্নরিবা... ৱাশক্তুদা য়েংলগা ভোট পীরুবদইনি ময়াম নীংবা কায়রিবা। লাল্লব্রা? লায়রবা মী ওইরুবননি, তাৎকী লাংদা থুরুবা। অনৌবা তাৎ অমদা অমুক পঙথরিবা।

ঙসি ঐসু পঙথরবা মীয়ামদুগী মরক্তা অমা ওইরুবনা ফুম্বংননা ফল্লিবনি। এপ্রিল ১৮, ঐখোয় ময়ামগী মহুৎ শিন্দুনা দিল্লিদা চৎকে চোঙথোরল্লিবা মখোয় তরামাথোইসিগী মনুংদা কনাদা ভোট পীসিগে? খনফম খঙদ' লৈরিবনি। 'মহাক্না খ্বাইদই মফরে' - ৱাখলগী খেন্নবা লৈতনা হায়বা য়াবা অমা ফাওবা য়াওদবসিনি পূন্নমক্কী অৱাবা। অমনা হেনবা, অমদা ৱাৎপা - লৈবদুননি চমম্নবা পোক্লিবা। অনীখক্তং ওইরল্লবা চমম্নবা অসি খরমখৈ হন্থরমগনি। সিষ্টেম অসি শেমদোক্লবা ফালতুগী মী অমসু মীরেপ ওইগে চোঙথোকপগী চৎনবীসিসু তোকখিনি।

পূন্নমকসি খল্লুরগা, বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা লৈরুঙৈদই ফংলকখিবা অনৌবা লৈঙাক লৌশিং, দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক, মোবোক্রেসিগা খেন্নবা... পোলিটিকল থোট ময়ামদুনা মরূ হুনখিবা পোলিটিকল কলচর, পোলিটিকল ফ্রীদম পাল্লকপা, ফ্রীদম ষ্ট্রগল শাগৎলকপা, গান্ধী কৌবা মীশক অমা থোক্লকপা, পোলিটিকল ফ্রীদম অমদি সেল্ফ-রুল-করিনা করিনো খঙদ্রিঙৈ-মালেমগী লাঞ্জাও অমা মায়োক্লরুবই ইকনমিক চৈথেং মায়োক্লবা ৱারবা বৃটিশ'না 'ইন্দিয়া' মনীং তমহনখিবা ... শাংলবা ৱারী পরিংদু মথং-মনাও নাইদনা, মকোক মমৈ খঙদনা ননশিন্নরবা, লীফম খঙদ্রবা ৱারীগুম পিল্লবা কোক অসিদা পাইশিল্লকই। মহাত্মা গান্ধী কৌবা খঙবা ৱারবা মীশক্তুগী খঙবা ঙমদ্রবা ৱাখল্লোন্দু গান্ধীয়ান থোট হায়না চন্নদ্রবা মচল অমগুম ইন্দিয়ন পোলিটিক্সতা য়ানশিল্লকখি। ফাদর ওফ দ নেসন - জাতিগী মপা হায়না মিংথোন্দুনা ৱাখল্লোন তিন্নদবা তুংইনবশিংদুনা পোলিটিকল টুল (লৈঙাক-খূৎলায়) ওইনা শীজিন্নদুনা লৈপাক লৈঙাক তৌরকখি। 'ঘানি দ' হায়বা মিংথোল অমা 'গান্ধী' হায়না ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়ন পোলিটিক্স'তা থাদোকপা য়াদ্রবা ইলিমেন্ট অমা ওইহল্লকখি।

ঙসি, তরাতরেৎশুবা লোক সভা মীখল নুমিৎসিদা লমফৈদগী ৱাখল অমা পাইশিল্লক্লি - পাঙথোক্লিবা মীখল মওং অসি করিগুম্বা গান্ধী ওরিজিনেল মশা হিংলল্লবা! মহাক মীখল অসি য়াওরমগদ্রা? ঐদি খল্লি- মহাক সুকয়াও য়াওরল্লোই। মহাক মশাদি তোকখ্রসি, মাগী মচা-মশু-শুথাঙফাওবা ইলেক্তোরেল পোলিটিক্স য়াওদ্রিবসিনি। গান্ধী মশানা পামখিবদি পোলিটিকল পার্টি লীংলগা, মীয়ামগী অপাম-পামদা য়েংলগা লৈপাক ঙাকপা, এদমিনিষ্ট্রেসন মওংদু নত্তে। মহাক্নদি হায়রম্মী - হৌজিক্তি ইমা লৈপাক নীংতল্লে, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস মূত্থৎলসি। গান্ধীয়ান পোলিটিক্সতি, পোলিটিকল পার্টি লীংলগা পোলিটিকল পাৱর শেমগৎপদু নত্তে, অচেৎপা খুন্নাইগী য়ূম্ফম অমা থোনবদুনি।

করিগুম্বা মহাক লৈরল্লবা, ইলেক্সনসিগী মায়োক্তা সত্যগ্রহ অমা চঙশিল্লমগনি শোয়দনা।

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৬৫

**- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -**

মে ৩০, ২০০৯ :- চেরোল অসিনা হায়রি, মীখলগী নোটিশ হেক থোকখিবগা ৱাথোক হৌরে। এপ্রিল ১৫গী নুমিদাংৱাইরমদা মীখলগী নোটিশ থোক্লে। নোংঙাল্লগা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন লৈবগী মহৈরোয় অয়াম্বা চৎনখ্রবা মতুংদনি। নোমিনেসন ফাইল তৌবগী মতমসু শুপ্পগী নুমিৎ হুমনিখক পীখি। এপ্রিল ১৮গী নুংথিল পুং ৪দা অরোইবা মতমনি। মমাঙদা তৌরমদবা অদুগা ওইসু ওইথোক্লোইদবা, তৌবা ঙমলোইদবা কন্দিসন কয়া হায়জিল্লকখি। নোমিনেসন ফাইল তৌবদা ক্লাস টুয়েল্বকী ওরিজিনেল সার্টিফিকেট হাপকদবনি হায়রকখি। মসি অনৌবনি, ক্লাস টেনগীদি মমাঙদগী হাপ্পদুনা লৈরবনি। মদু চহীগী খুদম চাংদম পীনবনি। অয়াম্বা মহৈরোয়না ওরিজিনেল সার্টিফিকেট লৌথোক্লদে। ওরিজিনেল সার্টিফিকেট লৌবদা মতম চঙবনা মরম ওইদুনা হাপচিল্লক্লিবা রুল অদু ওইথোক্তবা, নাতৈ চাদবা ৱাফমনি হায়দুনা এম য়ু মনুংদা ৱাথোক ওইরে। মহৈরোয় খরনা ষ্টুদেন্টস হোম মমাঙদা ৱাকৎ মীফম ফল্লে, পাউচেদা পাক শন্না ইরে। ভি সীদা ৱাকৎলে, দিন অমা ওইনা মহাক মশাদসু ৱাকৎলে। ফীভম অসি লাকপদা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন করি থৌদাং লৌখি নৈনসি।

মহাক্না ভি সীদা তাকখি, ভি সীগী পাউতাক মতুং ইন্না ঈ সী (ইলেক্সন কম্মিটি) গা মীটিং তৌখি। মহাক্না মে ৪দা পাউচেদা ফোঙলকপা শেংদোক চেরোলদা মাদি ফনা কন্না হায়জবনি অদুবু ঈ সীনা য়াখিদ্রে হায়রি। মদুদা মাদি করিমত্তা তৌনীংঙাই লৈতে হায়রি। মসি মীনম্বনি। মাগী কোন্সাইন্সনা ওরিজিনেল সার্টিফিকেট হাপকদবনি হায়বা অনৌবা রুল অদু লাল্লে হায়না খল্লবদি খূৎ থাগদবনি। এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রারদা হায়রিবা মীখলগী নোটিশ অদু ককথৎহনবা য়াই। মদু তৌরল্লবদি কনানা মুসুগী মীখল তৌগনি? ঈ সীনা নম্ফুদা তৌরবসু মহৈরোয় অমত্তনা য়াওগদবা লৈতে। মহাক্না এপ্রিল ১৮দা রিজাইন তৌখি হায়বদি হায়রি।

লাল লাক্লবদা লান্মী ওইবা তোক্লগে হায়বা য়াব্রা? মদুদা ভি সীনা য়াখিদে, য়াফম থোক্তবনি। মৈ চাক্লিঙৈদা ফম শিন্নবা য়াদে। ভি সীনা রিজাইন তৌবদু য়াদ্রবদি মহাক্না তৌফম থোকপা অদু তৌবা তাই। মদু তৌদনা মশাগী রেস্পোন্সিবিলিটিদগী লৈথোকপা অদু প্রোব্লেম অদুগী সোল্যুসনলা? মতম অদুদা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন্না তৌখিবসি লৈথোকফম থিবদনি। চেদা করি অহোবা লৈবগে হায়না থিবনা মাগী ৱাখল ওইখি। য়ুনিভর্সিটি অসিবু উংখৎনবগী মৈরী মরক্তা লংশিল্লম্লগা লৈথোকখিবা মী অদুবু মরাল লৈতে হায়বা য়াদে। অদুবু মহাক্না হেন্না চাউবা লৈ। ঈ সীসু মরাল লৈ, অদুবু লমজিংবা দিননা হেন্না চাউবা মরাল লৈ।

জুন ২ : এম য়ুগী প্রোফেসর এম দি ইস্লামুদ্দিন মীহাৎকা মরী লৈননা পুলিসনা ফাজিনখিবা মহৈরোয় ১৩ ঙসি লম্ফেলদা লৈবা এদিসনল সী জে এম, ইম্ফালগী কোর্টতা পুথোকখ্রে। কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা মীওই ৫ এন এস এগী মখাদা ফাজিন্দুনা জেলদা থাজিনখ্রে।

এন এস এ পান্দুনা জেলদা থাজিনখ্রবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা পুলিসনা পীরকপা চার্জসিটতা মীওইশিং অসি লালহৌলূপশিংগা মরী লৈনবা অমসুং লালহৌলূপকী থবক থৌরমদা য়াওশিনবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী লালহৌবগা মরী লৈনবা চে চাং অমসুং পোৎলম কয়া ফংই। লোয়ননা প্রোফেসর হাৎপদা মখোয় লৌতুনবা য়াওই হায়না মরাল শিরি।

ঙসি মহৈরোয় ১৩ অসি কোর্টতা পুথোকপদা ঈরাং থোক্লক্কনি হায়বগী চিংনবা লৈবদগী অকনবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। কোর্ট বিল্ডিংগী অকোয়বদা মীওই অমত্তা লৈহনখিদে। লোয়ননা ৱাটর কেনন অমসু কোর্টকী কেম্পস মনুংদা খামদুনা থমখি।

মহৈরোয় ১৩গী মনুংদা ৩গী কাউন্সেল এদভোকেট ৱাই দেবদত্তনা হীরম অসিগী মতাংদা হায়, পুলিসকী মায়কৈদগী মহৈরোয়শিংগী মথক্তা এমসুবু য়ু এন এল এফনা শৌগৎলি, এম এস এফপু আর পি এফনা শৌগৎলি অমসুং দেসামবু কে ৱাই কে এলনা শৌগৎলি হায়রিবা ৱাফম অসি মরম চাদে। ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না হায়রিবা মহৈরোয়শিংগী ওর্গনাইজেসনশিং অসি আইন্না য়াদে হায়না লাউথোকখিবসু লৈতে। মরম অদুনা মখোয়দা পুলিসনা শিরক্লিবা মরাল অসি য়ূম্ফম য়াওদবা অমা ওই।

ঙসি এন এস এগী মখাদা জেলদা থাজিনখ্রবা এ থোইথোইনা কোর্টকী কেম্পসতগী থোক্লক্লবা মতুংদা পেন্দবা ৱাফম কয়া মীয়াম তানবা লাউখি। মখোয়বু পুলিসনা ফারবা মতুংদা তমথীনা ফুরে, ব্লেঙ্ক পেপরদা খূৎয়েক পীহল্লে অমসুং অকনবা ৱাহৈ কয়া শীজিন্নদুনা কিহল্লে হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লমখি।

জুন ২, ২০০৯ : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক অসিনা মরাল লৈতবা মহৈরোয় কয়া ফাজিন্দুনা মরম চাদবা মরাল কয়া অমা পীশিল্লিবা অসি দেসামনা তরাইনা খক লৌরোই হায়না দেসাম্না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহৈরোয় ফাজিনবগী মায়োক্তা কৌখিবা পুং ১২০গী জেনরেল ষ্ট্রাইক অদু মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা হন্দোক্লে হায়খি।

দেসামগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা কে সী ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়, লৈঙাক্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসি মতম চানা য়েংশিনবগী মহুত্তা তুমিন্না লৈথোক্লগা প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন মীহাৎ অসি থোক্লক্লবা মতমদা মহৈরোয় কয়া ফাজিন্দুনা মরাল কয়া পীশিনবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী মতিং নমথনবা অমদি ৱাথোক অসি নাথৈনবা হোৎনবনি।

প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিন আইন্না থিংখ্রবা লূপ কে ৱাই কে এলনা হাৎপনি হায়না হাৎপগী মরম কয়াগা লোয়ননা মীয়ামদা থমখ্রে। আই আর বিগী মীওই অমসু গভর্ণমেন্টতা চঙজখ্রবনিনা মীহাৎ অসিগী মরমদা ময়েক শেংনা খঙলম্লগনি। পূম্নমক কনানা কনানো ময়েক শেংনরবা অসিদা লৈঙাক অসিনা দেসামগী এদ্যুকেসন সেক্রেটরি থোইথোই য়াওনা মণিুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় ৫বু অতম্ননা এন এস এগী মখাদা ফাজিন্দুনা মীহাৎ অসিগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী লূপশিং থিংজিন্নবা হোৎনবতা নত্তনা শগোলনা লৌ চারগা ঈরোইদা তাইনবগী থৌদৌনি হায়খি।

জুন ৩, ২০০৯ : মমাঙ থাগী ২৫দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসর ইস্লামুদ্দিনবু আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ কে ৱাই কে এলনা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসমক্তদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা ফীভমশিং ঙসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বর ঙাংবম নোংয়াইনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী অথোরিটিগী মায়কৈদগী পুলিসতা হৌনবী মতুং ইন্না কমপ্লেন্ট অমত্তা তৌরমদবদা মেম্বর অসিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

নাকল অমরোমদনা, পুলিসনা এম য়ুগী বোইজ হোষ্টেলদা চত্থখিবা রেইদ অদু এম য়ু ওথোরিটিনদি মখোয় য়াওনা চত্থখিবনি হায়জরগসু মহৈরোয়শিংনদি পুলিস খক্তনা চত্থখি হায়না ফোঙদোকখি। পুলিস কম্মান্দোশিংনা অপাম্বা মতমদা হেক্তা লাক্লগা তৌনীংবতা তৌবনা মখোয়গী ৱাখলদা লৈতাহন্দ্রে হায়না চৎনখিবদগী লেদিজ হোষ্টেল ২ অমদি বোইজ হোষ্টেল ৩ পূমতাক তাকখি।

কম্মিসনগী মেম্বর ঙাংবম নোংয়াইগী খোঙচৎ অদুদা ভাইস চাঞ্চেলর প্রোফেসর সী অমুবগা উনদুনা থৌদোক অদুগী মতুংদগী য়ুনিভর্সিটিদা ওইরক্লিবা ফীভমশিংগী মতাংদা ৱারী শানখি। মদুদা ভি সী অমুবনা মহৈরোয়শিংনা হোষ্টেল থাদোক্তুনা চৎনখ্রিবা অসি হৌজিক য়ুনিভর্সিটিগী নোর্মেল ক্লাস তৌদবা অমদি পরিক্ষা য়ৈথোকখিবনা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখি। বোইজ হোষ্টেলদা পুলিসনা র্যেদ চত্থখিবা অদু হোষ্টেলগী ৱার্দেন য়াওনা চত্থখিবনি। মদুদা পুলিসকী মায়কৈদগী কা হেনবা থবক চত্থবসু লৈতে হায়না মহাক্না হায়খি।

এম য়ুগী হোষ্টেলদা মীতোপ থম্বা লৈতে, লৈরিবশিং অদু ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওরগা লৈবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীহাৎ অদুগী মতাংদা পুলিসতা য়ুনিভর্সিটিগী মায়কৈদগী কমপ্লেন্ট তৌবা লৈব্রা হায়না নোংয়াইনা হংবদা লৈতে হায়না ভি সীনা খুমখি। লোয়ননা সেন্টরগী ইন্সত্রক্সন মতুং ইন্না পুলিসনা শু-মোটো কেস লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবনি। য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা পুলিস পেকেট অমা থমগদৌরিবা অদুসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী অপাম্বদগীনি হায়না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা লোয়ননা চত্থখিবা খোঙচৎ অদুদা ইনটেক কেপাসিটি ১৬০ লৈবা থাংজিং হোষ্টেল, কেপাসিটি ৯৬ লৈবা কৌব্রু অমদি লংমাইচিং কেপাসিটি (১০৩) বোইজ হোষ্টেল ৩ অসি মহৈরোয়শিং লোইনমক ময়ূম ময়ূমদা চৎনখিবদগী ইতাক তাক্না লৈরম্বা থেংনরকখি। থাংজিং হোষ্টেলগী ওইনদি গেট ঙাক্লিবা সেক্যুরিটিনা মহৈরোয় অমত্তা লৈতে হায়রকখি। কৌব্রুগী ওইনদি মহৈরোয় ৭/৮ লৈরমখি।

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*